# ছটিসগরদা মাওইষ্টশিংগা খূৎ থোক্লবদা সেক্যুরিতি পর্সোনেল ২ শিরে ৫ শোক্লে

রাইপুর, জুন ২৫ ঃ
ছটিষ্টগরগী সুকমা দিষ্ট্রিক্টতা মাওইষ্টশিংগা খূৎ থোক্লবদা সেক্যুরিতি পার্সোনেল ২ শিরে অদুগা অতোপ্পা মীওই ৫ না অশোক–অপন নঙখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকখি।

লমদম অদুদা ওপরেসন চত্থবদা সেক্রুরিতি ফোর্সনা ঙরাং মাইওইষ্ট অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট রিজার্বগার্দ (দি আর জি) কী লান্মী ২ শিখি। অদুতা নত্তনা স্পিসিয়েল তাক্স ফোর্স পার্সোনেল ৫ সু অশোক–অপন নংখি হায়রি।

চিন্তাগুফা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লমদম অদুদা খূৎ থোক্লখিবদা স্পিসিয়েল তাক্স ফোর্সতা পার্সোনেল ৫ অশোক অপন নংখ্রে। অদুগা পার্সোনেল ২ না লৈখিদ্রে হায়না এন্টি মাওইষ্ট ওপরেসনগী স্পিসিয়েল দি জি পি অৱাষ্থিনা ফোঙদোরকখি।

এস টি এফ, দি আর জি অমদি সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স লোয়ননা সি আর পি এফ কী ইলাইট য়ুনিট কোব্রা কম্মান্দোশিংনা অকক্লবা পাউ অমা ফংবগা



শোক্লবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং হেপ্লিকোপ্টর শীজিন্নদুনা লায়েংনবা পুরকখি।

লোয়ননা রাইপুরদগী কিলোমিটর ৫০০ লোম চৎলগা লৈবা চিন্তাগুফাদা মাওইষ্টশিং লোত্তুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী ওপরেসন চত্থখি।

সেক্রুরিটি ফোর্সনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা দোনদামরককী উমংদা ওপরেসন চত্থখি। ওপরেসন চত্থবা হৌরকপদা মাওইষ্টশিংনা অতৎ–অখম লৈতনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নরবা মতুং মখা তানা রিইনফোর্সমেন্টশিং কৌশিন্দুনা ওপরেসন চত্থখি। শোক্লবা লান্মীশিং অদু এয়ারলিফ তৌদুনা রাইপুরদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লায়কৎনখি।

লমদম অদু সেক্যুরিতি ফোর্সনা কোইশিন্দুনা থমখ্রে। লোয়ননা মখা তানা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোকখি। অহেনবা ফোর্সশিং চঙশিল্লক্তুনা উমং অদুদা শোক্তুনা লৈরবা লান্মী ২ পুথোকখি।

ওপরেসন অদুদা মাওইষ্ট ১২ হেন্না শিরম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। সেক্যুরিতি ফোর্সনা অশুকপা উমং অদুদগী লৈখিদ্রবা মাওইষ্টশিংগী হকচাং লৌথোক্লবা হোৎনরি হায়না এস দি জি পি না ফোঙদোরকখি।

মখা তাবা পাউশিং ঙাইহরি। অহেনবা পাউশিং শোয়দনা ফংলগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়রি।

# অসাম–নাগালেন্দ ঙমখৈদা য়ুম ৮ শকখঙদবশিংনা মৈ থাদোক্লম্লে

কোহিমা, জুন ২৫ ঃ
অসামগী কার্বি অঙলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অসাম অমসুং নাগালেন্দগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা য়ুম ৮ মশক খঙদবা অরানবা তৌবা মীওই খুৎপু অমনা মৈ থাদোক্লম্লে।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না মীওইশিং অদু গারী অমদা লাকখি। মখোয়না কার্বি অঙলোং মোডেল ভিলেজগী লাহোরিজানকী মনুং চনবা খুঙ্গং অদুদা লৈবা য়ুমশিং অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ১২ .৩০ রোম তাবদা মৈ থারমখিবনি।

য়ুমশিং অদু মৈ থারম্লবা মতুং মীওইশিং অদু মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি। পুলিসনা হায় নিয়ম কায়না থবক তৌরমখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অমদি দিমাপুরদা লৈবা মীওইনি হায়বা খঙবা ঙম্লে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মহাক ফারে। লোয়ননা দিলাই পুলিস ষ্টেসন্দা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা লুপা লাক্ষ কয়াগী লন–থমশিং মাঙ–তাকখ্রে।

কার্বি অঙলোং এস পি অমসুং দিলাই এস পি না য়ুম কয়া মৈ চাকখ্রে হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লে হায়না খুঙ্গং অদুদা লৈবা মীওইশিংদা ঙাক–শেনবগী থৌরাং চপ চানা লৌখৎলগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# নেপাল, ভুটান চৎপদদি আধার শক্তাক চে অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াদ্রে



নেপাল, জুন ২৫ ঃ
ইন্দিয়া মচাশিংনা নেপাল অমসুং ভুটানদা চৎপদা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী মরু ওইবা শক্তাক চে অমা ওইরিবা আধার কার্দ চৎনরোই হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়া মচাশিংনা নেপাল অমসুং ভুটান হায়রিবা লৈবাক অনীদা চৎপদা বিষাগী তঙাইফদবা লৈতে। মখোয়না তঙাইফদবা অমা ওইনা মতম লৈরিবা পাসপোর্ট নৎত্রগা ইলেক্সন কম্মিসননা ইশু তৌবা আইদেন্টিটি কার্দ পায়গদবনি।

চহী ১৫ দগী ৬৫ হেল্লবা মীওই খুদিমক্না তঙাইফদনা মখোয়গী ফোটো য়াওবা আইদেন্টিটি কার্দ পায়গদবনি। পান কার্দ, দ্রাইভিং লাইসেন্স, সেন্ত্রল গভর্ণমেন্ট হেল্ঠ সার্ভিস কার্দ অমসুং রেসন কার্দ তঙাইফদে। অদুম ওইনমক আধার কার্দতি মথৌ তাদে।

আধার কার্দ নেপাল অমদি ভুটানদা চৎপগী অয়াবা চে–চাং অদু ওইদে। মিনিষ্ট্রিনা আধার লৈবাক অসিদা সবসিদি অমদি সোসিয়েল ৱেলফিয়ার স্কিমশিংদা তঙাইফদবা অমা ওইহনবনি।

আধারতা য়াওরিবা দিজিৎ ১২ গী নম্বর অমদি মীওই অদুগী মিং অমদি লৈফম উৎপা চে অদুনা মীওই অদুগী শক্তাক চে ওইহনবা হায়বদু লৈবাক অসিদদি চৎনগনি।

ইন্দিয়া মচাশিংনা ভুটানদা চৎপদা তঙাইফদনা ইন্ট্রি পার্মিট পায়গদবনি। অদুগুম্বা মফম অদুদা চৎননবগীদমক ভুটানগী ওইনা ফুন্টসোলিংদা হাংবা ইম্মিগ্রেসন ওফিসিয়েলশিংদগী তঙাইফদবা চে–চাংশিং লৌগদবনি।

ইন্দিয়া অমসুং নেপালগী ঙমখৈদা হাংলিবা চেক পোষ্টশিংদা ইন্দিয়া মচাশিংনা নেপালদা চঙননবগীদমক মখোয়গী তঙাইফদবা চে–চাংশিং উৎকদবনি। নেপাল ইন্দিয়াগী ষ্টেট ৫–সিকিম ৱেষ্ট বেঙ্গল, বিহার, উত্তর প্রদেশ অমসুং উত্তর খন্দগা তাইনরি।

ইন্দিয়া মচা লাক্ষ ৬ লোম হৌজিকহৌজিক নেপালদা লৈরিবনি। অদুগা ভুটানগী ওইনা সিকিম, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগা ঙমখৈ তাইনদুনা লৈরি।

ইন্দিয়া অমসুং ভুটানগী ঙমখৈদা লৈবাক অনীগী শীন্মীশিং নোংমদা লিশিং ৮ দগী লিশিং ১০ ফাওবগী চাংদা লাম্থোক লানশিন তৌনরি।

মখা তানা ফগৎলকপা ফিভম অমা ওইনা এরোপ্লেন তোংদুনা চৎকদবা মীওইশিংদদি মথং থাদগী দিপাটচর কার্দ মেনশিনবগী মথৌ তাররোই। লৈবাকশিং অদুগী মরক্তঃ হৌজিক রেল লম্বী ফাওনরি।

ইম্মিগ্রেসন চেক পোষ্টশিংদা ঙমখৈ লান্না চত্থোক–চৎশিন তৌবশিংগী ওইনা তঙাইফদবা ফোর্মশিং মেনশিনবা তঙাইফদে হায়রি।

# নাগালেন্দদা মীওই ১ হাৎলম্লে, চিংনবা ২ ফারে

মকোকচুং, জুন ২৫ ঃ
নাগালেন্দগী ষ্ট্রিট ব্রাউলদা ঙরাং নহা ওইরিবা মীওই ১ শিদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রবা মতুং পুলিসনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চিংনবা মীওই ২ ফারে।

ইন্টিনুংশাং অমসুং জুলুটেমজেল কৌবা মীওই অনী অদু ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবদা ফাখিবনি। ফারবা চহী ৪০ রোম শুরবা মীওইশিং অদুগা লৈখিদ্রবা সেন্টিলোং এয়ার (৩৩) গা শাংতেম্না ৱার্দতা মরৈ য়েৎনখিবা লৈখি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী হকচাংদা কা– হেন্না অশোক–অপন নংবগী দাগফমশিং লৈরমখি। মরুপ – মপাংশিংনা অশোকপা অদু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎলমখি। মদুগী মতুং মখোয় মফম অদুদগী নাম্থোকখি হায়রি।

# অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা জগন্নাথ পুরিদা কাং চিংখ্রে

ভুবনেশ্বর, জুন ২৫ ঃ
ঙসি পুরিদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা থৌরম অমা ওইনা মালেমদা মমিং লৈরবা কাং চিংবগী কুম্হৈ পাঙথোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মীওই কয়া জগন্নাথ, বল্লবদ্র অমসুং সুভদ্র না তোংবা দোলাই অহুম চিংবগী থৌরম বাদাদন্দা লম্বীদা পাঙথোকখি।

লাইরেম্বা অমসুং লাইরেম্বী অনীনা তোংবা কাং অদু গুন্দিচা লাইশঙ ফাওবা চিংখি। উরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পটনাইট, বি জে পি গী লূচিংবা অমিট সহা অমসুং সেন্ট্রেলগী লূচিংবশিং অমদি ষ্টেট মিনিষ্টর কয়া লাই খুরম্বা লাকখি।

ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস কে বি সিংহনা হায় মমিং চৎলবা কুম্হৈ অদুগা মরী লৈননা সেক্যুরিতিনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। চহী খুদিংগী



পাঙথোকপা রথ যাত্রা হায়না খঙনবা কুম্হৈ অদু ১২ শুবা চহী চাদগী পাঙথোক্তুনা লাকখি।

নুমিৎ ৯ নি চুপ্না কুম্হৈ অদু পাঙথোক্লবা মতুং লোইশিনগনি। ঙসি অয়ুক অঙনবদগী ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরম অদুগা লাইশোন থৌরম পাঙথোকপা ঙসি পুং ১০.৩০ রোম তাবদা জগনা অমদি লাইরেম্বী অনীগী মুর্ত্তি শিং লাইশঙদগী পুথোরক্তু না মীনা চিংবা দোলাইদা হাপ্পুনা থৌরম পাঙথোকপা হৌখি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা মীওই লিশিং কয়া কিলোমিটর ৩ শাংবা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা খোঙচৎ অদু শরুক য়াখি হায়রি।

---

EMPLOYMENT NEWS

## থবক্কী পাও

**CGPSC recruitment 2017 Apply online for 57 Homeopathy medical officer / Doctor at psc.cg.gov.in**

57 Homeopathy medical officer / Doctor in CGPSC:- 30th July 2017
06 Assistant Director in CGPSC:- 22nd July 2017
05 Lecturer, Librarian in CGPSC:- 07th July 2017

Chhattisgarh Public service commission released new notification on their official website for the recruitment of 57 Homeopathy medical officer / Doctor vacancies. Job seekers should apply online before 30th July 2017.

Government Organization:- Chhattisgarh Public service commission
Designation:- Homeopathy medical officer / Doctor
Job Location:- Chhattisgarh
Last Date:- 30th July 2017
Advertisement Number:- 09/2017
CGPSC Upcoming 2017
Homeopathy medical officer / Doctor:- 57 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Homeopathy medical officer / Doctor should have graduate in homeopathy from a recognized university with 2 year experience.

Salary Structure:- Rs 15600 – 39100/- Per Month
Age Limit:- 22 to 30 years as on 1st January 2017.

Selection Process:- Written Examination and after exams candidates will be invited for personal Interview and last step will be documents verification.
Fee charges:- Applicants who wanted to participate should pay the below charges through online mode (Debit or Credit Card / Net Banking).

All Applicant: Rs. 400/- (Rupee four hundred only)
SC/ ST/ OBC: Rs. 300/- (Rupee Three hundred only)
How to apply for recruitment CGPSC 2017:- Applicants may apply online trough official website of Chhattisgarh public service commission (CPSC) www.psc.cg.gov.in from 1st July 2017 to 30th July 2017.
Important Dates to remember:-
Form Submission starts From: 01/07/2017
Form Submission End Date: 30/07/2017
Advertisement Number:- 09/2017

Chhattisgarh Public service commission released new notification on their official website for the recruitment of 06 Assistant Director vacancies. Job seekers should apply online before 22nd July 2017.

Govt Department:- Chhattisgarh Public service commission
Post Name:- Assistant Director
Job Location:- Chhattisgarh
Application date:- 22nd July 2017
Advertisement Number:- 08/2017
CGPSC Jobs 2017 Alert
Assistant Director:- 06 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Assistant Director should have graduate from a recognized university and passed in accounting training examination training examination or passed S.A.S
Salary Structure:- Rs 15600 – 39100/- Per Month
Age Limit:- 21 to 30 years as on 1st January 2017.
Selection Process:- Written Examination and after exams candidates will be invited for personal Interview and last step will be documents verification.
Fee charges:- Applicants who wanted to participate should pay the below charges through online mode (Debit or Credit Card / Net Banking) or Challan.
General: Rs. 400/- (Rupee four hundred only)
SC/ ST/OBC: Rs 100/- (Rupee one hundred only)
How to apply for CGPSC recruitment 2017:- Applicants may apply online trough official website of Chhattisgarh public service commission (CPSC) www.psc.cg.gov.in from 23rd June 2017 to 22nd July 2017.
Important Dates to remember:-
Starting Date: 23/06/2017
Closing Date: 22/07/2017
Advertisement Number:- 08/2017
CGPSC recruitment 2017 – Lecturer, Librarian
Chhattisgarh Public Service Commission released new notification on their official website psc.cg.gov.in for the recruitment of total 05 (five) jobs out of which 04 (four) vacancies for Lecturer, 01 (one) for Librarian vacancy. Job seekers should apply from 08th June 2017 and before 07th July 2017.
Commission Name:- Chhattisgarh Public Service Commission
Job Name:- Lecturer, Librarian
Posting:- Chhattisgarh
Official website: psc.cg.gov.in
CGPSC vacancy 2017
Lecturer: 04 Vacancies
Qualification:- Candidates who wanted to participate for CGPSC Lecturer job should have Degree in Textile Technology or Degree/Diploma in Textile Design or Degree in Mechanical Engineering with 3 years experience in relevant field.
Salary Structure:- Rs. 15600 – 39100/- Grade pay – 5400/- Per Month
Librarian: 01 vacancy

Qualification:- Aspirants who decided to join CGPSC Librarian posts should have Master of Library Science with 03 years experience as Librarian.
Salary breakup:- Rs. 15600 – 39100/- Grade pay – 5400/- Per Month
Age Limit:- 21 to 40 years as on 01/01/2017
Selection Process:- CGPSC admit card 2017 will be issued to conduct the Online Exam for Lecturer, Librarian vacancies, and after exams candidates will be invited for Interview.

Fee charges:- Applicants who wanted to participate for Lecturer, Librarian vacancies should pay the below charges through Debit or Credit Card / Net Banking / Cash Deposit.
SC/ST/OBC: Rs. 300/- (Rupee three hundred only)
Other/Out of Chhattisgarh: Rs. 400/- (Rupee four hundred only)
How to apply for CGPSC vacancies 2017:- Interested applicants may apply online through the website www.psc.cg.gov.in from 08.06.2017 to 07.07.2017.
Important Dates to remember:-
Form Submission starts From: 08.06.2017
Form Submission End Date: 07.07.2017

---

## শগোলশেম হেমন্ত

# খেংজোই চীংশাংদা

*(মণিপুর অমদি মপান লমগী পাউমী খুৎপু অমনা ২০০৬ তা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা চৎলুবগী অৱা–নুংঙাই পাউদম লাইরিক্লি। ঙসি ফাওবদা খুৎনম তরুক্লক পুথোক্তুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না য়োনবা মণিপুরী লাইরিক ওইরি)*

৭

## য়ু.এন.এল.এফ.
## য়ুনাইটেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট

*ঙরাংগী মখা...*

ইং ১৯৭৯ দা লিংখৎখিবা অসামগী উলফা গা ইং ১৯৮৪ গী জুলাই থাদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দর ষ্টেন্দিং অমা ইনখি। অপুনবা নীংতম লালহৌগীদমক ফিরেপ লৌমিন্নখি। অমগা অমগা মতেং পাঙনবা হায়না য়ানখি। ইং ১৯৮৪ গী নভেম্বর থাদা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা লূচিংবা মীওই ১১ না শাবা মীহুৎলূপ অমা নাগা নেস্নেল কাউন্সিল অমদি কাচিন ইন্দিপেন্দেন্টস ওর্গনাইগেসন গী লূচিংবশিং উন্নরুনবা মণিপুর থাদোকখি।

মীহুৎলূপ অসিনা মতমদুগী এন এন সি গী লূচিংবশিং ইশাক চিশি শু, এস এস. খপ্লাং অমসুং টি ঐচ মুইভা অমদি উলফাগী লূচিংবা শিংনা পুন্না লমদম অসিগী অপুনবা নীংতম লালহৌ শাগৎপগী মতাংদা ৱারী শাংনা শানখি। মসিনা নাগা লূচিংবশিংগী মরক্তা লৈবা খেন্নবশিং অমদি মখোয়গা য়ু এন এল এফ কা খেন্নবা লৈবা মরু ওইবা ৱাফমশিং খঙবা ঙমখি। মীহুৎ অসিনা ১৯৮৫–৮৬ তা কাচিনলেন্দা লৈরিঙৈ মতমদসু আর পি এফ কী লূচিংবশিংগা কে আই ও গী হেদ ক্বাটরস দা উন্নদুনা ৱারী শানখি। শানখিবা ৱারীশিং অসিদগী য়াম্না মশক থোকপা অনৌবা ফিভম অমা পুথোকপা ঙমখি।

খুৎলায় পায়বা প্রোপেগন্দাঃ

অশুম্না অকোয়বগী চাউরাকপা ফিভম খঙলবা মতুংদা য়ু এন এল এফ কী খুলায় পায়বা প্রোপেগন্দাগী খোঙজং চঙশিন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখি। দিসেম্বর ১৯৮৬ তা ফমখিবা পার্টিগী অনীশুবা জেনরেল এসেমব্লিনা পার্টিগী লান্মী শঙলূপ অমা অমুক হন্না শেমগৎনবা ৱারেপ লৌখি। ৱারেপ অসিগী মতুং ইন্না ফেব্রুৱারী ৯, ১৯৮৭ তা য়ু এন এল এফ কী লান্মী শঙলূপ এম পি এ অসি শেমগৎপা হৌখি। লান্মী শঙলূপ অসিনা ডিসেম্বর ১৯৯০ দগী খুৎলায় পায়বা প্রোপেগন্দা গী খোঙজং মওং তানা চঙশিনবা হৌখি অমদি থৌদাং অসি এম পি এ দা শিন্নখি।

*মথং মথং ...*

# য়ুমগী লায়য়েং

***শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ***

## চাবা (চিঞ্জাক)

*ঙরাংগী মখা...*

মদুনা নহারোল অয়াম্বা উচি, য়েন্নাও, খুনু মচা ঙম্না ওলহল্লে। ৱেন য়ৌনবা উলেকত্রোদতা ইলেকত্রিক থাজিন্দুনা চাং য়েংবদা মীশিং অদু য়েন্নাও, উচিগা মান্নহনবগুম করিগুম্বা খেন্নহন্দবা মওংদা মথক্কী হুশিং অসি চাবা মীশু উচি, য়েন্নাওমক ওলহল্লে।

মীওইবগী লমচৎ অসি অফবদা চৎনবা ঙাক্তনা থম্বা মেচিন অমা নত্তবনা অঙম অঙম্বা মী কয়ানা মীহৌদুনা মাঙনবা লম্বীদা পুশিল্লি। চীনাদা কানি পীজবা, নেগ্রোদা য়ু পীথকপা জগৎনা খঙনবা ৱাফমনি। দ্রগ কয়া, কানি হেরোইন করিগী শারিবনো? মেনদ্রেক্কী কান্নবা অমসুং মাঙনবা করিনো? অসিগুম্বা য়েক্লবগী লাংদা থুদুনা জাতি কয়া অৱাবা তাই। হন্দোকচবা ঙমদে। মীওইবনা অহানবা ওইনা – (১) ইশানা য়ানা অরানবদা চঙবা অদুনা (২) নমশিন্দুনা চৎহনবদগী ফংবা খুদোংথিবা অসিদগী ইশা কঞ্জনবা লাক্লজগদবনি। হৌজিক্কী জগৎ অসি অনী থোক্লা খায়দোকখ্রবনা অমনা অমবু মাঙনবা হোৎনবদা অপঙবা জাতিদি লাংদা থুবা মশানা তাবনি।

ঈশ্বর থাজদবা সাইন্টিফিক্কী পুকচেল চেনবা মী ওইরবদি সাইন্সনা করিগুম্বা মওংদা য়ু অসি অফবা তৌদে, খ্বাইদগী ফত্তবা তাইবং মীগী য়েক্লবনি তাকই। য়ু খক থক্লোই হায়না ঐখোয়না নীংই। ঈশ্বর থাজবা মীওইবদি – য়ু হেক থাদোক্ত্রিবা ফাওবা ঈশ্বরদা চঙগদবনি।

হে ঈশ্বর! য়ু থকউবদগী ঐহাক্কী পুন্সিসি পুম্মাঙ মাঙবা তারে। করিগুম্বা মওংদা নাম্থোকপা ঙমজদ্রে। ঈশ্বর নহাক নত্তনা ঐবু কনবীনবা লৈতে। ঐহাকপু কনবীয়ু। অয়ুক অঙনবদা হৌরগা ঈরুজথোক্কদবনি। মাইল অমদগী হৌদুনা মাইল ৮ ৱাকিং খরা খরা হেনগৎনা চৎপা তমগদবনি। হল্লক্লগা অমুক ঈরুজথোকপীয়ু। নুমিদাংৱাই অমুক ঈরুজথোকপীয়ু। হান্নগী য়ু থকমিন্নবা মীশিং অমসুং য়ু থকফম অদু থাদোকপীয়ু। য়ুবু খ্বাইদগী য়াদবা শাদুনা ফত্তবা ৱাফম পূম্নমক কাউহল্লু। মাবু য়ুমদা থিজিলহল্লু।

*মথং মথং ...*